# য়ু জি তরুক ফারে...

*লমায় ১গী মখা...* মখোয়দগী মোবাইল ফোন ২, আধার কার্দ ২, শেল ওইনা লুপা ৪,০৫০ রিকোভর তৌরে হায়রি।

অমরোমদা ঙসি সিক্যুরিটি ফোর্সনা আর পি এফ/পি এল এগী কাদর অমা লৈরোংথেল পিত্রদগী ফারে । মহাককী মমিং কোইজম সমানন্দ এলিয়জ নাওবী এলিয়জ শমখোইবা (২৯) কৌই। য়াইরিপোক মালোম থোং ময়াদগীনি হায়রি।

মঙোন্দগী মোবাইল ফোন অমা রিকোভর তৌরে হায়রি। অদুগা সিক্যুরিটি ফোর্সনা ঙসি কে সী পি (অপূনবা) গী কুম্বী সেতুপুর ময়ায় লৈকায়দগী থোকচোম ইবুংঙো এলিয়জ লানঙাকপা এলিয়জ সঞ্জয় (৩২) কৌবা কাদর অমা ফারে হায়রি।

মহাক প্রিপাক (প্রো) গী মেম্বর ওইরম্লবা মতুং মমাঙ চহী ২০২৪গী এপ্রিলদা কে সী পি (অপূনবা) দা য়াওরকখিবনি। মঙোন্দগী আধার কার্দ অমা অমসুং মোবাইল ফোন অমা রিকোভর তৌরে হায়রি।

অমরোমদা থা অসিগী ১২দা কে ৱাই কে এলগী কাদর অনী সিক্যুরিটি ফোর্সনা ফারে। ফারবশিংদি কুম্বী এম ঈ লৈকায়দগী মোইরাংথেম সুরেস এলিয়জ অঙো (৩৯) অমসুং ইথাই খুনৌদগী সোরাম কামেশ্বর (৪৬) নি হায়রি।

# এন পি ওনা...

*লমায় ১গী মখা...* পীশিনখ্রে হায়রি।

মীহুৎ কাঙবু অসিনা গভর্ণরগা উনবদা পাঙথোক্কদৌরিবা বরাক রিভর ফেষ্টিবেলগী মতাংদসু খন্নখি। গভর্ণরগী মায়কৈদগী এন পি ওগী মীহুৎশিংনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিং পূক্লিং চঙনা তাবগা লোয়নননা মখোয়গী অনীংবা অপান্বশিং থুংহনগনি হায়বগী থাজবা পীখি হায়রি।

## FOREX (INDIA RUPEES)

| FOREX NAME | INDIAN RUPEE |
|---|---|
| Euro | 100.464073 |
| US Dollar | 85.995264 |
| British Pound | 115.858100 |
| Australian Dollar | 56.378249 |
| Chinese Yuan Renminbi | 11.998059 |
| Japanese Yen | 0.583442 |
| Malaysian Ringgit | 20.219868 |
| Singapore Dollar | 67.108863 |
| South Korean Won | 0.062260 |
| Saudi Arabian Riyal | 22.932070 |
| Thai Baht | 2.649667 |

## 'করপসন' গী থবক-থৌওং পূন্নমক্কী ঈ-পাউ পীবিরকউ

'করপসন' (শেঙ্গা-থুমজা) গী থবক-থৌওং পূন্নমক্কী ঈ-পাউশিং হুইয়েন লানপাউদা পীবিরকউ। গ্রিভান্স রিদ্রেসেল অমসুং হুইসল ব্লোৱরগী থৌদাং মচা অমা লৌজবা ওইনা নমথাক অমসুং তাৎ-পাৎ তৌবা থৌওংশিংগী মরীক চুম্বা রিপোর্ট মীয়ামদা ফোঙদোকচগনি। পাউ ১সুং মরী লৈনবা ইভিদেন্সশিং পীবিরকপশিংগী মমিং-মথা চেকশিন্না থমজগনি।

**হুইয়েন লানপাউ, মোবাইল ফোন নম্বর - ৭৬২৯৮৫৪০২৩**

## GAS NEWS

**M/S R&H Indane Service Irilbung**
Only Home Delivery
**Booking Upto 10/05/2025**
Valid from 06/05/25. Office contact no.7353320254 Call Timing 9am to 12pm
Sunday Closed
**Stock 324nos.**

**HRANGCHAL GAS AGENCY**
VALID FROM: 26/05/2025
**BOOKING UPTO: 30/05/2025**
TIMING: 7:00 AM to 10:00 AM (Temporary).
For Home delivery: 9863576002 (SMS only)
Delivery within 7 days

**IMPHAL LPG SERVICE**
Home Delivery Only
**Booking Upto Date**
Office contact no. 9362654114
Whatsapp no. 9863624773
Time:8.30 am to 12.30 pm
Available 10 kg, 5kg, 19 kg

**M/S MANIPUR POLICE GAS SERVICE**
**BOOKING UPTO 10/07/25**
(Sl.No.01 to 20)
VALID FROM 03/07/25
TIME: 09 AM TO 12 PM
Any enquiry and booking Contact no. 7629045883

## HL Poll

Q : Loumisingna Lou ubada Presidents Rulegi leingakna pamdaba thoudoksing thokhandaba ngamdre haibara langadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q : Manipurda anouba meeyamgi leingak ama leihallakpaga BJP gi National President anouba ama khanbaga mari leinapham thokte haibada langadra?

Yes 0% No 100%

## অস! লোইরেহে!

-করপশন মুখৎসি হায়বসি মীনা ঙাওই হায়রোইদ্রা?

- [illegible]




- করপশন য়োকখৎশি হায়বনা ফরদ্রা?

- [illegible]

# এম পি বিমোলনা ...

*লমায় ১গী মখা...* কেম্পতা চৎতুনা কেম্প অসিদা লৈরক্লিবা আই দি পিশিংগা হকথেংননা উনখিবগা লোয়ননা মোইরাং মল্টিপর্পজ হায়র সেকেন্দরি স্কুলদসু চঙদুনা মহৈকোল অসিগী ফীভমশিং য়েংশিনখ্রে।

রিলিফ কেম্পতা লৈরক্লিবা নুপী অঙাং য়াওনা ইনমেটশিংগা হকথেংননা ৱারী শাদুনা মখোয়না মায়োক্লরিবা অৱা অনা অমদি খুদোংচাদবশিং এম পিনা পূক্লিং চঙনা তাখি অমসুং মখোয়গীদমক মহাক্কী মায়কৈদগী লৌখৎপা য়াবা থবকশিং লৌখৎলগনি হায়বগী থাজবা পীরমখি হায়রি।

অমরোমদা, কুমজা ১৯৪৮দা লীংখৎখিবা মোইরাং মল্টিপর্পজ হায়র সেকেন্দরি স্কুলনা ঙসিসু চহী কয়াগী মতুংদা ফীভম হোংদনা লৈরম্বদা অঙকপা পোক্লদুনা এম পিনা হায়, ইন্দিয়ানা মনীং তমদুনা এসেমব্লিশিং লৈহল্লক্ত্রিঙৈগী মমাঙদা মণিপুরদদি লেজিসলেটিভ এসেমব্লি লৈরবনি। কুমজা ১৯৪৮দা লীংখৎখিবা মহৈশঙ অসিনা ফীভম অসিদা হোংদনা লৈরম্বদা অঙকপা পোকই হায়রদুনা মহৈশঙ অসিগী ওজাশিংগসু হকথেংননা ৱারী শানবগা লোয়ননা মহৈরোয়শিংগসু ৱারী শানবদা স্কুল অসিগী ওজাশিংগী তোলোপ চাং নাইনা ফংদবনা অৱাবা মায়োক্লরে হায়রিবসি পূক্লিং নুংশিনীংঙাই ওই। অদুবু নোং হেক ঙানবগা তোলোপ ফংদ্রবসু অঙাংশিংনা ঙাইরমগনি খন্দুনা মখোয়বু তাকপী তম্বীবা লাক্লিবনি। গভর্ণমেন্টকী স্কুল ফত্তে হায়রগসু মোইরাং মল্টিপর্পজ হায়র সেকেন্দরি স্কুল অসিদি লেপ্তুনা টোপর পুথোকপা অমদি মহৈরোয়শিংনা কূক-কূক ইন্নবমখৈ মহৈ তম্বা মহৈশঙ ওইরল্লে হায়খি। মহৈরোয়শিংদা অফবা লৈবাক অসিগী মীওই অমমম ওইনবা অমদি মণিপুরগী চাওখৎ থৌরাংদা অচৌবা থৌদাং লৌবা ঙম্বা মীওইশিং ওইরকউ হায়দুনা পাউজেল পীখি।

স্কুল অসিগী চহী খরগী মমাঙদা শাগৎখিবা পক্কা বিল্ডিংসু য়েংশিল্লে হায়রদুনা মথক্তা কাবদা থোক থোক নোল্লে, নোং য়ুবদগী পক্কাগী মথক্তা অমুকসু তিননা কুপ্লে। মসিনা করিগুম্বা কিন্থরক্লবদি মহৈরোয়শিং অমসুং ওজাশিং শিবা নাবা য়াওরক্লবদি মদুগী থৌদাং কনানা পুগনি হায়বসি লৈঙাক্লা থিগৎপীয়ু। স্কুল অসিগী বিল্ডিং শেমজিনবীয়ু হায়রদুনা মীয়ামসু স্কুল অসিগী মতাংদা থিগৎপীয়ু। অসুক কুইরবা গভর্ণমেন্ট স্কুল অমনা অফবা স্কুল ওইদুনা লৈরল্লিবা অসি থাগৎনীংঙাইনি হায়রদুনা মহাক্কী মায়কৈদগীসু পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়খি।

# হন্দক্কী ঈশিং-ঈচাওনা...

*লমায় ১গী মখা...* মখোঙদা খঙহৌদনা কায়রকপদগী চেনশিল্লকপা ঈশিংনা থুমজিনবদা জেনিমস কেম্পস য়াওখিবনি। অদুবু ঈশিং ঈচাও অদু মায়োক্লদ্রিঙৈগী মমাঙদা জেনিমসকী ইন্সটিট্যুট অমসুং হোস্পিটালদা শীজিন্ননবা থম্বা হীদাক-লাংথকশিং থুমজিল্লকপা ঈশিংনা শোকহনবা ঙম্লোইদবা অৱাংবা মফমদা হোংদোক্তুনা থমহৌদবদগী হীদাক-লাংথক কয়া অমাঙ অতা থোকখি। ঈশিংনা মাঙহন-তাকহনখিবশিংগী মনুংদা তঙাইফদবা অনাবনা মথৌ তারকপদা শীজিন্নগদবা ঈ বোট্টলশিং অমসুং কম্প্যুটর সেট খরসু য়াওখি। কম্প্যুটর সেটশিং অদু হৌজিক ঈশিং কংথখ্রবা মতুংদা অমুক হন্না শীজিন্ননবা হোৎনরুবদা হাংদোকপা ফাওবা য়াদ্রে হায়রি।

ঈচাওনা মাঙহল্লবশিংগী মনুংদা য়াওখিবা জেনিমসকী ব্লদ বেঙ্ককী ঈ বোট্টলশিং অদু করিগুম্বা ঈশিং য়ৌশিল্লক্লোইদবা মফম অমদা পুখৎতুনা থল্লগা জেনরেটর অমদগী পৱার সপ্লাই পীদুনা নীংথিজনা থম্বা য়ারম্বদু তৌহৌবগী মহুত্তা এম্বুলেন্স অমদা হাপ্লগা থম্লবা হোৎনরুবদগী ঈশিং থুমজিনবদা য়াওখিদুনা শীজিন্নবা য়াদবনি হায়রি।

অদুগা ঈশিং-ঈচাও মায়োক্লখিবদগী য়ুনিভর্সিটিগী এন এস এস সেল য়াওনা ফায়র সর্ভিস অমসুং অতৈ লোয়শঙগী থৌমীশিংনা জেনিমসকী হোস্পিটাল অমসুং ইন্সটিট্যুটকী কাশিং শেংদোক-চামথোক্তুনা মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিল্লক্লবসু ইন্সটিট্যুট অসিবু চলাইরিবা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পীফম থোকপা শেলশিং পীরক্তবদগী হৌজিক লায়েংবা লাকপা মীওইশিংদা ফর্ষ্ট এইদকী হীদাক-লাংথকশিং মরু ওইনা হেন্দ গ্লোভ, লশিং, টু এম এম সিরিঞ্জ, বেন্দেজ অমদি টিটানস টোক্সোইদ ফাওবা লায়েংবা লাক্লিবা মীওইশিংদা লৈহনবদগী হোস্পিটাল অসিদা লাকপা পেসেন্টশিংগী মশীং নোংম-নোংমগী হন্থরক্লে হায়রি।

মসিগী মথক্তা এক্সরেগী ফিল্ম লৈতবদগী মথৌ তাবা পেসেন্টশিংনা মোবাইলদা নল্লগা ডাক্তরশিংদা য়েংহন্নবা য়াওরে হায়রি।

ইন্সটিট্যুট অসিগী লায়েংশঙদা থল্লিবা মেগ্নেটিক রিসোনেন্স ইমেজিং (এম আর আই) গী মেছিন অসিসু লুপা ক্রোর ২৫ রোম পীবা মেছিন ওইবনা পুং ২৪ পৱার সপ্লাই পীদুনা থমজিনবা মথৌ তারি। অদুবু ঈশিং চাওশিনখিবদগী ইলেক্ট্রিক ফংদদুনা জেনরেটর শীজিন্নবদা নোংমদা থাও বেরেল অমমমগী চাংদা ওইল পম্পতগী লৌরগা নুমিৎ মঙানি চূপ্না চলাইখি হায়রি। করিগুম্বা এম আর আই মেছিন অসি স্বিটস ওন তৌরবসু এয়র কুল্লর থাজিলহৌদ্রবদি শাগৎলক্তুনা পোকখায়রক্লবদি কিলোমিটর মঙাগী রেদিয়সতা লৈবা মীওইশিং শ্বর হোনবা ৱারক্তুনা অশি-অনা ফাওবা মায়োক্লবা য়াই হায়রি। লাইবক ফবনা লুপা ক্রোর ৪ রোম পীবা ইন্সটিট্যুট অসিগী সি টি স্কানশিংদি ঈচাওদগী কনবা ঙমহৌখি। অদুগা এক্সরেগী মেছিন খরসু কলহৌবা ঙমহৌখি হায়রি। অদুম ওইনমক মমল য়াম্বদা নত্তনা পেসেন্টশিং লায়েংবদা তঙাইফদনা শীজিন্নরিবা মেছিনশিং অসিবু ঈশিং-ঈচাওদগী কলহৌনবা শেন্নখিবা ষ্টাফশিংগা ইন্সটিট্যুট অসিগী মকোক থোংবা ওফিসরশিংগী মরক্তা পাউ ফাওনবা ৱাৎহৌবদগী নাকল অনীগী মরক্তা খুদোংচাদবা কয়াসু মায়োক্লখি হায়রি।

# য়োল্লিবা ঙাশিংসি শিত্তবদগী ...

*হান্নগী মখা...* খ্বাইরম্বন্দগী ইমা লৈমরেল শিদবী কৈথেলগী ঙায়োনফমদা ঙা য়োল্লিবী ৱাঙ্খে য়োংলান লৈরক্তগী সাপম মেমচৌবী (৬৬) না পাউচে অসিদা মখা তানা হায়, ঐহাক্লা ঙায়োনফম ফম্লক্লিবসি চহী ৩৬ শুরে। অহানবদদি ঙা য়াম্লা শিংলম্বনিনা ইচা শেম্বা ঙম্লম্মী। ইচা ৪/৫ মপান্দা মহৈ তন্নিবনি। অদুবু পোৎ শিংলিঙৈদা ইচা শেম্বা লোইহৌরবসু হৌজিক ইচা অহুমদি মখোয়গা চান্নবা থবকশিং ফংদ্রিবনা শেল থোক্তে। পূন্না ইচা ৬ পোক্তুনা পোৎফম ফম্লগা শেন্নকখিবনি।

ইচাশিংনদি খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল ফম্বগী থবক তোক্লো হায়রবনি অদুবু কৈথেল অসিদগী হৌদোকচরকখিবনিনা পোৎ শিৎত্রবসু কৈথেলসিদা লাক্লিংই। য়ূমদা অদুমক লৈরগসু হকচাং নুংঙাইরক্তে। কৈথেলদা লাক্লগা ইশা কনখৎপগুম তৌই।

মরম অসিনা পোৎ শিৎকদ্রা হায়দুনা য়ূমদগী চাক ফাওবা চারক্তনা কৈথেল অসিদা ঙন্না কারকপনি। কৈথেল য়ৌরগা চারুবগে হায়দুনা লাকপনি অদুবু য়োল্লিবা ঙাশিং লৈবীনবা লৈশিল্লক্ত্রে। খূৎলামখাং কৌদবা য়াওরে। মরম অসিনা পোৎ শিৎত্রবসু পোৎফমগী টেক্সতি থিদবা য়াদে। কৈথেল শঙগী মপান্দা ফম্লক্লিবশিং লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটিনা য়েংশিলহন্নীংই। মখোয়সু ৱাবদগী নোংমগী চরা তানবা লাক্লিবনি অদুবু মপান্দা ফম্বশিংনা ঙা লৈবা লাকপশিং লোইনা থৎখ্রবনিনা কৈথেল শঙ মনুংদা ফল্লিবা ঐখোয়গীদি খূৎলামখাং কৌদবা য়াওরে হায়রকখি।

# চনুংদা লৌমীশিংনা লৌ শুরিঙৈদা ...

*লমায় ১গী মখা...* থোইবীমচানা ফোঙদোরকপদা ঙসি অয়ূক নুপী ৮ অমসুং নুপা ২ পূন্না লৌমী ১০না লৌকোন অসিদা কুমদুনা লৌ পেংলিঙৈদা খঙহৌদনা খরা লাপ্তক্লা লৈবা চীংলোমদগী নোংমৈ রাউন্দ ১১ রোম কাপ্পগী মখোল তারকখিবনি। অহানবদা নোংমৈ মরূ ৩ কাপ্পগী মখোল তাখি অদুবু খরা লাপ্পা মফমসু ওইবনিনা নোংমৈ মখোল তারবসু থৌশানখিদে। লৌ পেংবগী থবক অদুমক চথুখি। অদুবু অমুক হন্না নোংমৈ মরূ ৫ রোম কাপথোরকপদগীদি লৌবুক্তা লৌ পেংলিবা লৌমীশিং মীপাইবা পোক্লখি। অদু ফাওবদা লৌকোন অদুগী অকোয়বদা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংনা ঙাক শেল্লিবনিনা থোইদোক্লা চিংনরুদে হায়রি।

অদুবু ঙাইহাক কান্নরবা মতুংদা অমুক হন্না নোংমৈ মরূ অহুম মখা তানা কাপ্লকপদগী লৌবুক্তা লৌ পেংলম্বা মীওইশিং ময়ূম তম্না চেনখৎনরকখিবনি হায়রি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, নোংমৈ কাপ্পগী মখোল তাবদা মনাক নকপদা লৈরম্বা আই আর বি পর্সনেলশিংনসু রেফ্রি খোংলক্তুনা লৌবুক্তা থবক শুরিবশিংবু শাফংদবা মফমদা চৎখিনবা তানখৎপা হৌরকখি। লৌকোল অদু আই আর বি, বি এস এফ অমসুং সী আর পি এফ পর্সনেলশিংনা খূৎশম্নদুনা ঙাক শেনবনি হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা নোংমৈ মখোল তাখিবা লৌকোন অসিদা লৌ শুবা য়াওখিবী নুপী অমনা ফোঙদোরকপদা মখোয়না লৌ শুরিঙৈদা নোংমৈ মখোল তাখি হায়বসি অচুম্বনি। ৱাফম অসিবু পুলিসকী মায়কৈদগী লোয়শঙ অসিগী সোশল মীদিয়াগী খূথাংদা নোংমৈ কাপখিবা লৈতে অমসুং মখোল তাখিবা লৈতে হায়বনচিংবা ৱাফমশিং ফোঙদোরক্লিবসি য়ানীংদে হায়খি।

কাপখিবা নোংমৈ মরূশিং অদুনা লৌকোন অসিদা লৌ শুরিবা লৌমীশিংদা অতম্না শোকপা-শিবা য়াওহন্নবগীদমক নোংমৈ কাপ্লকখিবা নৎত্রবসু নোংমৈ মখোল তাহন্দুনা লৌমী ঐখোয়দা অকি-অখং পোকহনখি হায়বসিদি অশেংবা ৱাফমনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, ঙসিগী থৌদোক অসিবু কোকোমি ফার্মরস ৱিংগী মায়কৈদগী অকনবা মওংদা য়ানীংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লৌমীশিংনা লৌবুক্তা লৌ শুরিঙৈদা নোংমৈ কাপ্লকপগী মখোল তাখি হায়বা ৱাফম্বু পুলিসনা অরানবনি হায়না ফোঙদোরকপবুসু য়ানীংদবা ফোঙদোক্লন্দুনা নোংমৈ কাপ্পগী মখোল তারে হায়বদা য়ানীংদ্রিবসি কাপ্লক্লিবা নোংমৈ মরূ অদুনা লৌমীশিংদা পাল্লবা মতমদতা নোংমৈ কাপ্লে হায়বসি খঙগদৌরিব্রা হায়নসু হংখি।

অসিগুম্বা চীংখোঙ চীংয়াদা কুকিগী খুলশিংগা নক্কনা লৈবা মফমদা অমুক হন্না নোংমৈ কাপ্তুনা অকি অখং পীরকপগী থৌওং অসিবু কোকোমি ফার্মরস ৱিংনা হকচিন্না লৌই হায়রদুনা লৌমীশিংদা অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসি হঞ্জিন হঞ্জিন মায়োক্লহল্লিবা করিগীনো হংখি।

মরম অসিনা খুদক্তা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী সিক্যুরিটি এজেন্সীশিংগা খূৎশম্নদুনা খুদোংথীবা থৌদোকশিং থোরক্কনি চিংনবা মফমশিংদা মখা তানা পামদবা থৌদোকশিং থোকহন্দনবা খুদক্তা থবক লৌখৎকদবনি হায়খি।

পনবা য়াবদি, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ফুবালাদসু মশাগী লৌ শুবা চৎচবা মীওই অমা কুকি টেররিষ্টশিংনা অথাপ্পা মফমদগী কাপ্লকপা নোংমৈ মরূনা খূৎতা পান্দুনা শোকপগী থৌদোক থোকখ্রবনি। থৌদোকশিং অসিগী মথক্তা হৌজিক ফাওবদা লম্লাই অমসুং সেঞ্জম চিরাংদা লৌ পরি ৪৩০ রোম লৌ পানবা ঙমদনা লৈরক্লিনি।

# রাজ ভবনদা গভর্ণরনা আই দি পিশিংগী...

*লমায় ১গী মখা...* প্রি-ফেব্রিকেটেদ সেল্টর হোমশিংদা হোংজিলহন্দুনা দিসেম্বর ফাওবগী মনুংদা মণিপুরদা রিলিফ কেম্প অমত্তা লৈহল্লরোই হায়দুনা ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা ঙসি রাজ ভবনদা গভর্ণর অজয় কুমার ভল্লানা চ্যের লৌদুনা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌদুনা লৈরক্লিবা আই দি পিশিংগীদমক লৌখৎপা থবক থৌরমশিংগী রিভিয়ু মীটিং পাঙথোকখ্রে।

রাজ ভবনগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখিবা রিভিয়ু মীটিং অসিদা চীফ সেক্রেটরি পি কে সিংহ, ইম্ফাল ৱেষ্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নর অমসুং সিনিয়র ওফিশলশিংনা শরুক য়াখি। রিভিয়ু মীটিং অসিদা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈরক্লিবা ইন্টরনেল্লি দিসপ্লেস পর্সন্স (আই দি পি) শিংগীদমক ষ্টেট লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লৌখৎলিক্লবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা পুথোক্তুনা কূপ্না খন্নখি। মীফম অসিদা গভর্ণরনা আই দি পিশিংগীদমক থবক থৌরমশিং লৌখৎপদা দেদিকেটেদ আই দি পি এস পোর্টেল শীজিন্নগদবনি হায়বগী পাউতাক মরী লৈনবা ওফিশলশিংদা পীখি। রিভিয়ু মীটিং অসিনা লৈঙাক্লা মীয়ামগী থবক থৌরমশিং পাঙথোকপদা অমগা অমগা তেংবাঙনবগী থবক হেনগৎহন্নবা ৱাফমসু গভর্ণরগী মায়কৈদগী পুথোরক্তুনা খন্নখি।

পনবা য়াবদি, দিসেম্বর ফাওবগী মনুংদা মণিপুর লৈঙাক্লা প্রি-ফেব্রিকেটেদ হাউস ১০০ নৌহৌননা শারগনি হায়বা ৱাফমসু চীফ সেক্রেটরি পি কে সিংহনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

# মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিশননসু চৈ ...

*লমায় ১গী মখা...* হায়না ৱাকৎখ্রে হায়রি।

চীফ ভিজিলেন্স কম্মিস্নরদা পীশিনখিবা চেরোল অদুনা ফোঙদোকখিবশিংগী মনুংদা ফেব্রুৱারী ১, ২০১৮দা মতম অদুগী কম্মিশনগী জোইন্ট সেক্রেটরিনি হায়দুনা মশাগী মমিং অমসুং খূৎয়েক পীদুনা নুংশিতোম্বী অথোকপমনা কম্মিশনগী ষ্টেনোগ্রাফর (গ্রেদ থ্রী) ১, এল দি সী ১, দ্রাইভর ১, পিওন ২ অমসুং চৌকিদার কম স্বিপর ১গীদমক মীওই ৬পু এপোইন্টমেন্ট ওর্দর থোক্তুনা খল্লমখি হায়রি।

মহাক্লা থোক্লম্বা ওর্দর অদুগী নম্বরনা ১/৪/২০০২-এম ঐচ আর সী (পার্ট) নি হায়রি।

মীওই তরুক্তা পীরল্লিবা এপোইন্টমেন্ট ওর্দর অসি লো এন্দ লেজিসলেটিভ এফেয়রস দিপার্টমেন্টনা ওর্দর থোকপা নুমিৎ অদুদা পীরকপা অইবা চেরোল নম্বর ১/১০/৯৮-লো (ঐচ আর সী) (পার্ট-১) গী মতুংইন্ননি হায়বা ৱাফমসু পল্লি। অদুগা মীওই তরুকপু এপোইন্টমেন্ট পীরমখিবা পোষ্টশিং অসিনা এপ্রিল ১৫, ২০১৬তা থোকপা ওর্দর নম্বর ১/১০/৯৮-লো (ঐচ আর সী) (পার্ট-১) গী মতুংইন্না ক্রিএশন তৌখিবনি। মরম অসিনা মীওই তরুক অসিবু রেগ্যুলর বেসিসতা মখোয় মখোয়গী পোষ্টশিং অসিদা এপোইন্টমেন্ট পীরে হায়খিবনি হায়রি।

ফেব্রুৱারী ১, ২০১৮দা কম্মিশনগী জোইন্ট সেক্রেটরিগী মিংদা মীওই তরুকপু এপোইন্টমেন্ট পীরমখিবা অসিগী মতাংদা আর টি আইগী খূথাংদা অন্দর সেক্রেটরি (দি পি) অমসুং এ এস পি আই ও (দি পি) দা মরী লৈনবা ৱাহংশিং হংখি। দি পিগী অন্দর সেক্রেটরি অমসুং এ এস পি আই ওদা আর টি আইগী খূথাংদা ৱাহংশিং হংবগা লোয়ননা মরী লৈনবা দোক্যুমেন্টশিং পীবিনবা হায়জখিবদা নত্তনা মণিপুর ইনফোর্মেশন কম্মিশনদসু ৱাকৎপদগী কম্মিশন অসিনা আপীল কেস নম্বর ৭৪ ওফ ২০২৫ লৌখৎখি।

কেস অসি মার্চ ২১, ২০২৫দা মসিগী আপীলেন্টনা ফাইল তৌখিবা আর টি আই এপ্লিকেশনগী মতাংদনি। আর টি আইগী খূথাংদা হংখিবা ৱাহংশিংগী মনুংদা কুমজা ২০১০দগী ২০১৮ ফাওবগী মনুংদা কম্মিস্নর (লো) ওইরিবী নুংশিতোম্বী অথোকপমগী ট্রান্সফর অমসুং পোষ্টিংগী মরী লৈনবা ইনফোর্মেশনশিং পীবিয়ু অমসুং গ্রেদ থর্দ অমসুং ফোরগী ষ্টাফশিংগী ওর্দরশিং থোকপদা গভর্ণরগী মিংদা থোকপা য়াব্রা হায়বদুসু খঙহনবীয়ু হায়জখিবনি হায়রি।

আর টি আইগা মরী লৈননা মণিপুর ইনফোর্মেশন কম্মিশনদা অহানবা আপীল তৌরক্লবা মতুংদা অনীশুবা আপীলসু তৌরকপদগী কম্মিশননা আপীল কেস নম্বর ৭৪ ওফ ২০২৫ অসি থা অসিগী ৭তা ৱায়েল চথ্নরবা মতুংদা দিস্পোজ তৌখ্রে হায়রি।

আপীল অসিগী ৱায়েল চথ্নরকপা নুমিৎতুমক্তদা আর টি আই এপ্লিকান্ট অমসুং আপীল অনীগী আপীলেন্ট ওইরিবা এদভোকেট ওক্রম ন্যুটনকুমারদা দি পিগী অন্দর সেক্রেটরি অমসুং এ এস পি আই ও, এম রবিচন্দ্রনা পীরকখিবা চেরোল অমদা আর টিআইগী খূথাংদা হংলিবা ৱাহংগী পাউখুম ওইনা কুমজা ২০১৮দা এম ঐচ আর সীগী জোইন্ট সেক্রেটরি অদুগী এপোইন্টমেন্ট ওর্দর দি পিগী মায়কৈদগী পীখিবা লৈতে হায়রকখিবনি হায়রি।

মরম অসিদগী ঙসি চীফ ভিজিলেন্স কম্মিস্নরদা মতম অদুগী জোইন্ট সেক্রেটরিনি হায়দুনা এপোইন্টমেন্ট ওর্দরনচিংবা পীরমখিবা মীওই অসিগী মথক্তা লোগী মতুং ইনবা থবকশিং লৌখৎপীনবা ৱাকৎখিবনি হায়রি।

# পাখঙ ১ থাঙনা থিন্দুনা হাৎখিবগী...

*লমায় ১গী মখা...* পাখঙ ২ ঙসি কোর্টতা পুথোক্লবা মতুংদা জেলদা থাজিনখ্রে।

ঙসি কোর্টনা জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখ্রবা লৈশাবী ২দুগী মমিংনা ক্বাকৈথেল কোঞ্জেং লৈকায়দগী লোইতোংবম পিঙ্কি (২২) অপোকপা লৈখিদ্রবা এল নিলমনি অমসুং নাগামপাল কাংজাবী লৈরক মচিন্দগী লমাবম তাইবংঙানবী (২৭) অপোকপা এল অমুচৌনি অদুগা পাখঙ ২দুনা হিয়াংথাং মনীং লৈকায়দগী লৈশাংথেম লনচেনবা (২১) অপোকপা এল লোকেন অমসুং পেলেস কম্পাউন্দদগী য়ূমলেম্বম কেলবিন (২৩) অপোকপা ৱাই অল্লেন কৌই হায়রি।

মখোয় মরিবু কেস অসিগা মরী লৈননা পুলিসনা ফারবা মতুংদা মরী লৈনবা কোর্টতগী পুলিস কষ্টদি রিমান্দ লৌথদুনা ৱাহং পাউহং চথুরবা মতুংদা ঙসি পুলিস কষ্টদিগী মতম লোইরদুনা পুলিসনা মখোয়বু জুদিসল কষ্টদি রিমান্দ প্রেয়র তৌরদুনা পুথোরকখিবদা কোর্টনসু অয়াবা পীদুনা জেলদা থাজিনখিবনি।

মখোয় মরিবু সী জে এম/বিষ্ণুপুরগী কোর্টতা পুথোক্কদবদা কোর্ট অসিগী মেজিষ্ট্রেট ছুটি লৌখিবদগী লম্ফেলদা লৈবা সী জে এম, ইম্ফাল ইষ্টকী কোর্টতা ওইনা পুথোরকখি।

# মীওই অমা কোর্টনা পোক্সো এক্টকী মখাদা ...

*লমায় ১গী মখা...* মীওই অমা পোক্সো এক্টকী সেক্সন ১০গী মখাদা মরাল লৈরে হায়দুনা ফাদোক পীখ্রে।

থৌদোক অসি হৌখিবা কুমজা ২০১৭কী ওগষ্ট থাদা মহাক্কী লৈকায়দা লৈবা ইমুং অমদা থোকখিবনি। চহী ৭ খক্তা ঙাইরিবা নুপীমচা অমগী ইমুংদা মহাক্লা মহাক্কী মোবাইল ফোন চার্জ তৌনবা চঙলকখিবনি। মতম অদুদা নুপীমচা অদু মহাক্কী ফমুংদা তুমদুনা লৈখি অমসুং নুপীমচা অদুগী মমানা মহাক দুকান্দগী পোৎ চৈ খরা লৈরুগে, নুপীমচা অদুবু য়েংলম্মু হায়দুনা শিন্নরমখি হায়রি। অদুবু নুপীমচা অদুগী মমানা দুকান্দগী পোৎ চৈ লৈরুরগা হল্লকপদা মহাক্কী ইমুংগী থোঙ মনুং লোমদগী লোনশিন দুনা লৈরমখি। নুপীমচা অদুগী মমানা থোঙ লোনশিল্লিবা করিগীনো হায়না হাংদোক্লবা থিল্লুবদা এন ধোজো থোঙ হাংদোরক্লগা ইমুং অদুদগী চেনখিবনি হায়রি।

মহাক্কী থৌওং অদুদা চিংনবদগী নুপীমচা অদুগী মমানা মচানুপীদা য়েংলুবদা মহাকপু এন ধোজোনা ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীখ্রে হায়বা খঙলকখিবনি হায়রি।

থৌদোক অসিগী মতাংদা নুপীমচা অসিগী মমানা থৌবালগী ৱিমেন পুলিস ষ্টেশনদা রিপোর্ট তৌরকপদগী কেস এফ আই আর নম্বর ২৪ (৮) ২০১৭ রেজিষ্টর তৌদুনা লৌখৎখি অদুগা চেন্নরিবা এন ধোজোনা পুলিস ষ্টেশন অসিদা চঙজরকপদগী ওগষ্ট ১৯, ২০১৭কী নুংথিল পুং ৫.৩০ রোম তারকপদা কেস অসিগা মরী লৈননা ফাখি হায়রি।

পুলিসনা কেস অসিগী ইনভেষ্টিগেশন চথুরবা মতুংদা এন ধোজোবু পোক্সো এক্টকী সেক্সন ১০গী মখাদা চৈরাক পীনবা চার্জশীট নবেম্বর ১৭, ২০১৭তা থাগৎলকখি। চার্জশীট অদুদা য়ূম্ফম ওইরদুনা থৌবালগী স্পেশল জজ (পোক্সো) না ওক্টোবর ২২, ২০১৮দা এন ধোজোগী মথক্তা কোগনিজেন্স লৌরগা ৱায়েল চথনবা স্পেশল ট্রাইএল (পোক্সো) কেস লৌখৎখি অদুবু কেস অসি ফাষ্ট ট্রেক্ট কোর্ট অসিদা ট্রান্সফর তৌরকপদগী মসিগী ৱায়েল চথনবা কোর্ট অসিনা সেপ্টেম্বর ২৯, ২০২২দা মহাক্কী মথক্তা চার্জ ফ্রেম তৌরগা ৱায়েল চথরকখিবনি ।

কেস অসিগী অরোইবা অর্গ্যুমেন্ট থা অসিগী ৭তা পাঙথোল্লগা রিজার্ভ তৌদুনা থল্লকখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দরনা ঙসি জজ দল্লিয়ু তোনেন মৈতৈনা মহাক্কী ওপন কোর্টতা লাউথোক্লদুনা এন ধোজোবু মরালগী মতুংইন্না পোক্সো এক্ট ২০১২গী সেক্সন ১০গী মখাদা ফাদোক পীরে হায়খিবনি।

কেস অসিগী ৱায়েল চথরকপদা প্রোজিক্যুশনগী মায়কৈদা স্পেশল পব্লিক প্রোজিক্যুটর এম বিশস্তোরনা লেপখি।

# ববিনা হোস্পিটালনা নুমিৎ নীনি চূপ্না ফ্রী...

*লমায় ১গী মখা...*কেম্প অসি অহানবদা নোংমা খক্তমক পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরম্বনি অদুবু ওনলাইন অমসুং টেলিফোনগী খূথাংদা মী য়াম্না রেজিষ্ট্রেশন তৌনরকপদগী নুমিৎ নীনি চূপ্না পাঙথোকপনি হায়রি।

লায়েংশঙ অসিগী সিনিয়র কন্সলটেন্ট দর্মাটোলোজিষ্ট ডা. করাম লোকেন্দ্রোনা লুচিংখিবা কেম্প অসিনা মীয়াম্না তোয়না থৌশানদবা অমসুং লান্না লৌনবা উনশা, শম, খুজিল অমসুং জেনিটেল হেল্থকী মতাংদা মীৎয়েং থমখি। নুমিৎ নীনিগী কেম্প অসিদা মথংশিংনা অহানবা নুমিৎতা মীওই ১৩২ কন্সল্ট তৌখিবগা লোয়ননা অনীশুবা নুমিৎতা মীওই ৯০ পূন্না পেসেন্ট ২২২ লায়েংখি। পেসেন্টশিংনা ফ্রী কন্সলটেশনগী খুদোংচাবা খক্তা নত্তনা মরী লৈনবা ইনভেষ্টিগেশনশিং পাঙথোকপদা চাদা ৫০গী দিস্কাউন্টগী খুদোংচাবা অমসুং লায়েং পথাপ্তা চাদা ২০গী দিস্কাউন্ট ফংহনখি।

কেম্প অসি লোইশিল্লকপদা ডা. করাম লোকেন্দ্রোনা হায়, স্কিন হেল্থ অসি য়েংনবগী খক নত্তে। মসিদা হকচাংগী ফীভমশিং মমি তারিবনি। কেম্প অসিদা মী মশীং য়াম্না লাক্তুনা শরুক য়ারবদা অঙকপা ফাওই হায়রদুনা মী য়াম্না শরুক য়ারক্লিবসি অফবা খুদমনি অমসুং মখোয়গী হেল্থকী মতাংদা হেন্না পূক্লিং চঙশিল্লকপননি হায়খি।

কেম্প অসি লায়েংবগী খক নত্তনা মীয়ামদা দর্মাটোলোজিকেল এৱ্যেয়র্নেস পাকথোক চাউথোক্লা পীনবা লৈবাক অসিগী ওইবা খোঙথাংগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকপনি অমসুং স্কিন অমসুং জেনিটেলগী মতাংদা লৈরম্বা চমম্নবশিং কোকহনগনি হায়খি।

কেম্প অসি ইন্দিয়ন এসোসিএশন ওফ দর্মাটোলোজিষ্ট, ভেনেরিওলোজিষ্ট এন্দ লেপ্রোলোজিষ্ট (আই এ দি ভি এল) না লৈবাক অসিদা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না ফ্রী স্কিন হেল্থ কেম্প পাঙথোক্তুনা ইন্টরনেশনল বুক ওফ রেকোর্দসতা চন্নবা হোৎনরকপগী শরুক অমা ওইনা পাঙথোকপনি হায়খি।

কেম্প অসি মপূং ফানা পাঙথোকপনা স্কিন হেল্থকী মতাংদা চাং নাইনা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎহনবগী মতাংদা ৱাখল তামিন্নবদা নত্তনা ববিনা হোস্পিটালনা মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক লৌরক্লিবা থৌদাং মখা তানা লৌবগা লোয়ননা মীয়ামগী অঙন্বা চাংদা হেল্থক্যেরগী খুদোংচাবা ফংহনবনি হায়রি।

হোস্পিটাল অসিগী পি আর অমসুং মীদিয়া কোওর্দিনেটর প্রমোদ নিঙোম্বমনা থোকপা চেরোল অমনা কেম্প অসিদা লায়েংখিবা পেসেন্টশিং শরুক য়াখিবা ষ্টাফ অমদি ভোলন্টিয়রশিংদা মখোয়না কেম্প অসিবু মায় পাক্লা পাঙথোক্লবগী থৌদাং লৌখিবগীদক তৌবীমল খঙবা উৎলক্লি।

# চান্দেলগী এস বি আই ব্রাঞ্চ ...

*লমায় ১গী মখা...* থবক থৌরমশিংদা খুদোংচাদবা মায়োক্লরে। মরু ওইনা শেল-থুম লৌথোক-লৌশিন তৌবদা, লোনগী প্রোসেস তৌবদা অমসুং অনৌবা একাউন্ট হাংবনচিংবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরে হায়রি। মরম অসিনা মরী লৈনবা এস বি আইগী ওথোরিটি অমসুং মকোক থোংবা ওফিশলশিংনা চান্দেলগী মীয়াম্না বেঙ্ক অসিগী ব্রাঞ্চ মেনেজর লৈতবদগী মায়োক্লরিবা অৱাবশিংসিবু কোকহনবীনবা অথুবা মতমদা মতিক চাবা ব্রাঞ্চ মেনেজর অমা থম্বীয়ু হায়না ফোঙদোরক্লি।

# ইন্দিয়ন স্পেশল ফোর্সকী ...

*লমায় ১গী মখা...* থৱায় কথোকপা ঙম্বা মীওই অদুদগী হেন্না চাউবা অথৌবা অমমুক লৈত্রে' হায়না ফোঙদোরক্লি।

দ্রোন এটেক অমসুং প্রোক্সি ৱার অসি ইন্দিয়ন আর্মিনা পি এল এ অমসুং উলফা-আইগী মায়োক্তা হৌজিক ফাওবা চথরকপনা ময়েক শেংনা তাক্লিবদি অসাম অমসুং মণিপুরগী মীয়াম্বু ইন্দিয়ানা হকচিনবা য়েক্লবা ওইনা লৌই হায়বসিনি। পুৱারীগী মতুংইন্না ঐখোয় ইন্দিয়ন নত্তে অমসুং ঐখোয়গী মনীংতম্বা নিংথৌ পানবা লৈবাক লৈজরম্মী। ইন্দিয়ানা পুৱারী অসি খঙবগা লোয়ননা অসাম অমসুং মণিপুরবু লায়না খুদুম চনবা ঙম্লোই হায়বসু খঙই।

ইন্দিয়ানা অসাম অমসুং মণিপুরগী মতাংদা ফোঙদোক্লিবা ৱাফমশিং অমসুং চাওথোকচরিবা অসিদি মচিন থীবনি। ইন্দিয়াগী অহকপা য়েক্লবশিংনা ইন্দিয়ন ওইবা য়ারোই। মরম অসিনা অসাম অমসুং মণিপুরগী মীয়াম্বু ইন্দিয়ন গভর্ণমেন্টকী নমথাক অমসুং শরৌ লাংনা মমিৎ তাংহনবা য়ারোই হায়রি।

অসাম অমসুং মণিপুরগী মচাশিংদা ঐখোয় ইন্দিয়ন নত্তে অমসুং ঐখোয়বু ইন্দিয়ানা খুদুম চনশিনবা য়ারোই হায়রদুনা ঐখোয় ইশাগী লৈবাক্কী মীওই ওইজরিবা ঐখোয়না নুংশিরবা ইমা লৈবাকপু ইন্দিয়ানা খুদুম চনশিন্নবা হোৎনরকপদা মায়োক্লগদবনি। ঐখোয়না ঐখোয়গী ইমা লৈবাক ঙাক্লসি অমসুং ইন্দিয়ানা খুদুম চনববু মায়োক্লরসি হায়নসু ফোঙদোরকপগা লোয়ননা উলফা-আই অমসুং পি এল এনা মায় পাক্লসনু, মীয়ামগী য়াওল ঈহৌ কুইনা পূন্সিরসনু হায়রক্লি।

## অখাম শাগৈগী পাউজেঞ্জবা

অখাম শাগৈ শেমগৎ লূপকী জেনরেল বোদি মীফম অমদি ফেলিসিটেশন প্রোগ্রাম লাক্লিবা জুলাইগী তাং ২০, নোংমাইজিং নুমিৎ অসিদা পাঙথোকচরগনি, হায়রিবা মীফম অসিদা শাগৈচাশিংনা শোয়দনা লাকপীদুনা য়াওবীরনবা নোল্লুক্লা হায়জরি।

মীটিং হৌবা : অয়ূক পুং ৮
মীটিং এজেন্দা : ১) ফন্দ রাইজিং ফোর টেম্পল কন্সট্রকশন
২) ইলেকশন
৩) মিসেলেনস
চাক্লেন : অয়ূক পুং ১১:৩০
মফম : য়াইস্কুল জন্মস্থান কম্যুনিটি হোল
য়াইস্কুল জন্মস্থান, ইম্ফাল ইষ্ট

Contact No. : **9366110773, 8794289563, 9366982045**

**পাউজেঞ্জরিবা : অখাম দোমোরেন্দ্র**
সেক্রেটরি, অখাম শাগৈ শেমগৎ লূপ

HL-P/2791/15

## দ কলচরেল ফোরম, মণিপুরগী এন্যুয়েল জেনরেল বোদি মীটিং

তাং ০৮-০৭-২০২৫

ইকায়খুম্নবদা মতিক চারবা **দ কলচরেল ফোরম, মণিপুর**গী মেম্বর পূন্নমক্কী মফমদা নোল্লুক্লা খঙহঞ্জরি মদুদি লাক্লিবা জুলাই ২৭, ২০২৫ নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ৮:০০ তাবা মতমদা জি পি ৱিমেন্স কোলেজগী হোলদা **এন্যুয়েল জেনরেল বোদি মীটিং** অমা পাঙথোকচগদৌরি। হায়রিবা মীফম অসিদা ফোরমগী ইকায়খুম্নজরিবা মেম্বর পূন্নমক্লা মতম চানা লেঙবীরক্তুনা শরুক য়াবীরনবা নোল্লুক্লা হায়জরি।

হৌখিবা জুলাই ৬, ২০২৫ নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ৮দা জি পি ৱিমেন্স কোলেজদা পাঙথোকখিবা এগজিক্যুটিভ মেম্বর অমসুং ইনভাইটিজশিংগী মীফম্না এন্যুয়েল জেনরেল বোদি মীটিংদা পুথোক্লবা খন্নখিবা ৱারেপশিং :-

(১) ময়াম্বু তরাম্না ওকচবগী ৱারোল থম্বা। (২) অৱাবা ফোঙদোকপা। (৩) মমাঙগী পাঙথোকখিবা এন্যুয়েল জেনরেল বোদি মীটিংদা খন্নখিবা এজেন্দাশিং কনফার্মেশন লৌবা। (৪) মমাঙদা পাঙথোকখিবা এগজিক্যুটিভ অমসুং ওদিটেদ ষ্টেটমেন্ট জেনরেল সেক্রেটরিনা পুথোকপা। (৫) ওফিসিয়েল রিজোল্যুশন পুথোকপা। (৬) প্রাইভেট রিজোল্যুশন (৭) অতৈ অতৈ।

**নোল্লুকচরিবা :- ডা. নাওরেম অহঞ্জাও মৈতৈ**
জেনরেল সেক্রেটরি, ৯৬১৫৯৯১৮৪২

HL-P/2794/15

## ইস্কোল অমা য়োঞ্জরি

য়ুরেম্বম ইলেক্ট্রিসিটি ৱালগা নক্কুবা ইস্কোল পোইন্ট ১৫ অমসুং ৪০ অথুবা অমগী য়োঞ্জরি। মেন রোদতগী মিটর ১০০ মুক্তং চঙবনি, য়াম্না মফম চাবনি।

**NO BROKER**

HL-P/2773/11,13,15,17

**Call or Whatsapp : 8257012639**